
# হোল্লিৱুদতা অমুক্তংদি ক্লুইন ওইনা লেপকে হায়না খল্লিবী এক্ট্রেস জিঙ ট্যান

*- নানি -*

চাইনিজ এক্টর জেকি চান ঙসিদি মাগী মমিং তাদবা মী থোইনা লৈরমগনি হায়বা থাজদে। মহাক চাইনিজ ফিল্মদগী হৌরক্লগা চাইনিজ কী কলচর অমদি স্পোর্টস লোয়ননা চাইনিজশিংগী ৱাখল লৌশিং হৈশিংবা কয়া অসিবু মালেমদা অমুক্তং মশক খঙহনগে হায়না খন্দুনা হোলিৱুদতা লাকখিবা অদুগা মায়সু তশেংনা পাকখিবা এক্টর অমনি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম - **Police Story – Lockdown (2013)** হায়বা অসি য়েংদবা অমদি তাদবা থোইনা লৈরমগনি হায়বা থাজজদে। ফিল্ম অসিদা জেকি চানগী ওপোজিটতা কুল্লিবা এক্ট্রেস জিঙ ট্যানগী মপাও খরা পুদুনা অমুক হন্না লাকচরি।



বৈজিং দান্স একাদেমি অমদি বৈজিং ফিল্ম একাদেমিদা গ্রেজুয়েসন লোইরকখিবী মশাগী চহী শুপ্নগী ৩২ খক্তমক ঙাইরিবী এক্ট্রেস জিঙ ট্যান (মালেমগী মীয়াম্না জিঙ হায়রগতা খঙনবী) অসি চাইনাগী Saanxi হায়বা মফম অদুদা কুমজা ১৯৮৮গী জুলাই ২১দা পোকখি। মহাক্কী মমিং লৈখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা - The Warring States, Special ID অমদি Police Story : Lockdown (2013) হায়রিবা অসিনি। অদুগা লেজেন্দ ওইরবা ফিল্ম খরা অমদি - The Great Wall, Kong :Skull Island অমদি Pacific Rim : Uprising হায়রিবশিং অসিনি। অসি নত্তবা ফিল্ম কয়া অমসু লৈরি। গ্রেজুয়েসন লোইরবা মতুংদা ইহান হানবা ওইনা ফিল্মদা খোঙদারকখিবসি কুমজা ২০০৮দা পুথোকখিবা Anaconda Frightened হায়বা ফিল্ম অসিনি। ফিল্ম অসিনা মহাক্কীদি অহানবা একাউন্ট হাংবা হায়বদু ওইখি। মহাক্না তমজরকপা মহৈ খরা অদু চপ চানা এপ্লাই তৌদুনা য়াম্না সেরিয়স ওইনা কুল্লকখিবদি **My Belle Beauty (2010), The Warring States (2011)** হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদনি।

জিঙ ট্যানগী নুংঙাইরবা ফিল্মগী খোঙচৎ অসিগী ৱারী অমা লৈরি। মহাক্কী অনৌবা এসাইনমেন্ট The Great Wall হায়রিবা অসিগী রোল লিন মৈ হায়বা ক্রেন ক্রপকী কম্মান্দর অমগী রোল অসি ফংবা মতমদা মহাক ইংলিস ফজনা ঙাঙবা ঙম্নবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা চহী অমা লৈরগা ইংলিস তমখি। মসিগা লোয়ননা ফিল্মগী স্ক্রিন খরদা হাপ্নবগীদমক মার্সিএল আর্ট অসি চহী অমা চুপ্না তমদুনা মহাক মশা ফিজিকেল ফিট ওইনবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরকখিবনি। হৌজিক্তি মহাক ইংলিস নিংথিজনা ঙাঙবা ঙল্লে। মসিগী মতুংদগীদি মহাক্কী লেজেন্দ ফিল্ম অমা ওইরিবা **Kong:Skull Island** হায়রিবা অসিদা Tom Hiddleston অমদি Brie Larson গা পাদুনা কুম্মীন্নখি। কুমজা ২০১৮দা **Pacific Rim : Uprising** হায়রিবা ফিল্ম অসিদসু মমিং লৈরবা এক্টর Cailee Spaeny গা পাদুনা কুম্মিন্নবদা শাথীনা মায় পাকখিবা এক্টর অমা ওইখি। হৌজিক ফাওবদা এক্ট্রেস অসিনা কুমখিবা ফিল্ম খরদি - **My Belle Boss (2010), The Warring States(2011), Ultra Reinforcement (2012), Shadows of Love(2012), Tears in Heaven (2012), Bettr and Better (2012), Special ID (2013), Police Story :Lockdown(2013), From Vegas to Maccau (2014), Dragon Nest:Warriors Dawn (2014) The Great Wall (2016), Love Journey (2018) Kong : Skull Island (2017)** অমদি **Pacific Rim : Uprising (2018)** হায়রিবশিং অসিনি। অকোনবগী হোলিৱুদ ফিল্ম অনী অসিনা মহাক্না পামজবা হোলিৱুদতা অমুক্তংদি মতিং লৈনা ফিল্ম কুমগে হায়না খনখিবা অদু মায় পাক্লে। হৌজিকসু অতোপ্পা হোলিৱুদ ফিল্ম অমা অনীগী এসাইনমেন্ট লৈরি। অদুবু লৈরিবা লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা শুটিংগী থবক্তি অমত্তা হৌদ্রি হায়না হায়রি। হোলিৱুদতা য়াম্না মমিং লৈরক্লিবী এক্ট্রেস অসিগী মঙজরকপা মঙলান খরদি মঙফাওনরে হায়না লৌবা য়ারে। মসিদা নত্তনা টেলিভিজন সেরিজ করদসু শরুক য়াখ্রে। — **A Woman's Epic Poem, Biography of Sun Tsu, Ban Shu Legend, The Legend of Xiao Zhuang, The Glory of Tang Dynasty** হায়রিবশিং অসিদনি।

রোমান্টিক এক্সনবুদি ৱার এক্সননা হেন্না পামজবী অমদি মমিৎ-মনা য়াম্না শিংবী অমদি মীনা লাকচবা য়াদবী রোল শাবদা খ্বাইদগী পকচবী অমা ওইরুবনা মহাক্কী ফিল্ম অয়াম্বা এক্সন ফিল্ম লোমদনা হেন্না মায় ওনশিল্লি। মদুদা মায় পাক্লবা হোৎনবগীসু চোকথবা লৈতে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি এক্ট্রেস অসি ঈশৈসু ফজনা শকপা হৈবীনি। মহাক মশাগী এলবম খরা অমসু পুথোকখ্রে। লোয়ননা ম্যুজিক ভিদিও খরদসু এক্ট তৌখ্রে, কুমজা ২০১১দা এক্টর জেকি চাননা শকপা **Belief in yourself** হায়রিবা অসিদসু মহাক্না এক্ট তৌখি। মহাক মশাগী এলবম ওইনা পুথোরকখিবশিংদি - **Who are you (2007), Still Love You (2007), Women Like a poem (2009), Just Be fine (2010), Wind (2011), Believe in Love (2012), Beloved (2014), The New Era of Zanzan (2018)** অমদি লেটেষ্ট ওইনা **We are all dream chasers(2019)** হায়রিবা ম্যুজিক এলবমশিং অসিনি। হোলিৱুদতা খ্বাইদগী য়াম্না য়াঙনা মমিং চৎলকপা হায়বসি পাক ওইথোক্তে। অদুবু জিংদি হেক চঙলকপা হৌবগা মহাক্কী ফিল্মশিং অসি বোক্স ওফিস হিট ওইদুনা মমিং চাউনা থম্বা ঙমখি। নুপী অমা ওইনা কুং ফু ফজনা শীজিন্নদুনা মহাক্কী এক্টিংগী কেমিষ্ট্রি অমা শেন্বদা চাইনিজ মার্সিএল আর্টস অমদি এক্টিং অনীগী অপূনবা ফজবা মশক অদুনা মহাকপু য়াম্না ৱাংনা চিংখৎপা ঙমখিবনি।



হোলিৱুদ ফিল্ম এৱার্দ হিষ্ট্রিদা জিং ট্যাননা হোলিৱুদ ইন্টরনেসনল এৱার্দ ৱিন্নর ওইবা অহানবনি। নৌনা ইন্ত্রদ্যুস তৌরকপা এৱার্দ অসি মহাক্লা হেক ফংখ্রবা মতুংদগী মথং লাকপা চহীদদি দিসকনি টন্যু তৌখ্রে। অদুনা মহাক মথন্তনা এৱার্দ অসি ফংবা ঙমখিবা হায়বা অদু ওইরে। মসিগা লোয়ননা মোষ্ট দিসএপোইন্টিং এক্ট্রেস হায়বা অমা গোল্ডন ব্রুম এৱার্দকী মখাদা পীবা অসিদসু মহাক্লা অহুম্লক নোমিনেসন চঙবা মতমদা অনীরক এৱার্দ ওন্থোকপা ঙমখি। এৱার্দ অসি চাইনাদা পীরিবা Golden Raspberry Award কা থাক মান্নে। হৌজিক্তি মহাক্কী মমিং অসিফাওবা হোলিৱুদকী ওইনা অমা থোন্দুনা লৈরে মদুদি - সেল্লি জিঙ হায়রিবা অসিনি।

মশাগী চহী ১৩ শুরকপা মতমদা মহাক ময়ূম থাদোক্তুনা বৈজিং দান্স একাদেমিদা দান্স তম্বা হৌখ্রে। দান্স তম্লুবদগী মহাক্কী মীৎয়েং অসি এক্টিংলোমদা য়েংবা হৌরকখি। অদুনা দান্স গ্রেজুয়েসন লোইরবা মতুংদা অমুক হন্না বৈজিং ফিল্ম একাদেমিদা এক্টিং তম্বা হৌরকখি। অদুনা চাইনিজ ফিল্ম অমদি টেলিভিজন এক্ট্রেস অমা ওইনা থুনা মায় পাকপা থমখিবনি। মহাক্কী অহানবা অমেরিকান মুভি The Great Wall হায়রিবা অসিদা অমেরিকান এক্টর Matt Damon গা লোয়ননা কুমখি। মমিং লৈরবা Matt Damon দা ফিল্ম অসিগী ষ্টোরিনা অকনবা মীৎয়েংফম অমা পীরবসু অমেরিকান চাইনিজ কো-প্রদক্সন ওইরিবা ফিল্ম অসিদা অদুক য়াম্না কন্না মহাক্কী মতিং অদু ফুদোকপা ঙমখিদে। অদুনা মরম ওইরগা লিদ ফিমেল রোল লৌরিবী জিঙদা মীৎয়েং অমুক থম্লকখি। ফিল্ম অসিদা দিরেক্টর অমদি ষ্টোরিনা দিমান্দ তৌরিবা এক্সনশিং অদু মহাক্না চপ চানা উৎপা ঙমখি। তশেংবদি জিঙগী মশক অসি য়াম্না মেংবা শক্তা অমনি। অদুবু তৌথোরকপদদি মহাক য়াম্না শাথীবা এক্সনদা ওন্থোকপা ঙম্মী। ঈংনা ফজবা মশকনা য়াম্না থৌবা রোল অমা লৌরকপদা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চপ চানা চিঙশিনবা ঙম্মী। অদুনা মহাক হোলিৱুদ ফিল্মদা মখা তারকপদা মায় পাক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইখিবনি। এক্ট্রেস অসিগী মখা তাবা ফিল্মশিংদা করি-করি থোরকখিগদগে হায়বা অদুদি লোকদাউন অসিনা লোইরবা মতুংদা অথুবা মতমদা শোয়দনা খঙলগনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০৮।২০২০ ইং, নোংমাইজিং;
নুংথিল পুং ১.৫০ ফাওবা থৱানগী ২৭ নি পাল্লি, মতুং ২৮ নি পাল্লনি।



**মেষ :** লৌশিং চাওবা, ঙাংবা শকপা হৈবা অমদি য়েৎনবদা ঙম্বীনবা লৈতবা নুমীৎনি। অনৌবা থৌরম পাংবা য়ারগনি অমদি কান্নবা য়াম্না ফংগদবা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**বৃষ :** মীয়াম পূনবগী অমদি মতেং ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা অমদি অনম তানবগীসু কান্নবা লৈ-অফবা থবক্তি হনবা লৈতনা চঙশিল্লো।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মীতোপকী ৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**মিথুন :** ললোন-ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি, নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবসু শোয়দনা মায় পাক্কনি অমদি মীয়াম্না চানবী। অনম তাল্লদি ওন্ন-তৈনবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা লুনা তৌবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**কর্কট :** ৱাঙাং অমদি থৌরম শিন লাংবা হৈবা ৱাৎলি, লাইবক ফবসু ৱাৎলি। খূৎচাও থাগনু অমদি ওজা-গুরু তান্নৌ। থৌনা হন্দবনা অরুবা থবক্তি পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱা য়াম্না ঙাংলদি চোপকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস



**সিংহ :** অয়াম্বা থবক্তা মায় পাকপা শোয়দ্রে। লৈজবা লৌশিং ফূদোক্তুনা ওইজ-ওইথক তালহৌবা থোইনা ফগনি। মীগী মতেংনসু কান্নবা ফংজৌ হায়বা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**কন্যা :** অফবা থবক্তা নরল থাদবা য়াগনি, মীয়াম লোয়নবগী নুংঙাইবা অমদি ইচং থৌনা হোৎনজবনা ওইজবা য়াম্না ফংগদবা নুমীৎনি। মীনা ইনশিনবদি লৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মরী ফনা লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**তুলা :** খূৎ চাওদ্রবা অমদি হেন্না হোয়া ফদ্রবা মায়থীনবগী মরম অমত্তা লৈতে। হৈনা-শিংনা অমদি কনানসু লাকচবা ঙমদনা থৌ পাংগনি। কিগনু লন চাওখৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা



**বৃশ্চিক :** থিবা-হুম্বা কল্লদি অমদি মরুপ-মপাংগী ৱা তারদি অফবা মফম ফংজগনি অমদি য়েক্লববু লায়না খূদুম চনগনি। পোরম য়াৎপা হৈতে ,অশাওবনা মাঙহনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱা ঙাংথোক্তবনা মফরে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**ধনু :** নীংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা মায় পাকচবা নুমীৎনি। অমরোমদা অরুবা থৌরমদা পংশিনবা অমদি মীতোপ্পা হুবীবা য়াবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক



**মকর :** পামদবা নংবা য়াবা লৈবনা মরম চাদনা ইচং থৌগনু অমদি অরুবা ৱারেপতা নাইতোম লৌগনু। মীয়ামগসু মরী ফত্তে। লাইবক ফবনা কান্নবদি ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**কুম্বা :** ঈকায় খুম্নবা ফংজগনি অমদি শিনবা-লাংবা হৈগনি। নক্লবনদি চানবীদে, চরাংনগনু, য়েৎনবা অমদি ৱানোম-থৌনোম কান্নরোই-ঈংথবনা য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ঙাংথোকপদা তানিংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা



**মিন :** মতাং চানা য়েৎপনা কান্নবা ফংগনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি। অখং-অহৈ তান্নদ্রদি অফবা থবক মাঙবা য়াবা লৈগনি অমদি মরুপ খনবা হৈয়ু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



**অপোকপা :** কুটুব মিনার কদাইদা লৈ?
**মচানুপা :** খঙদে।
**অপোকপা :** ইবুংঙো, য়ূমদগী মপান খরা থোকউ।
**মচানুপা :** চাওবা কনানো?
**অপোকপা :** খঙদে।
**মচানুপা :** পাবুং, য়ূমদা খরসু লৈবিয়ু।



- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

**ওজা :** অঙাংশা, অশোকপদা থুম চাইবা হায়বসিদা খুদম চাংদমগা লোয়ননা হায়য়ু।
**মহৈরোয় :** পেট্রোল পম্প হেক ময়াদা মোদিজীগী নোকফেৎ তৌবা ফোটো।
**ওজা :** ভেরি গুদ!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

*ওজা অমনা গধা অমগী মমাংদা ঈশিং বাল্টিন অমা*
*অমসুং শঙ্গোম য়াওবা বাল্টিন অমগা থম্মী...*
*গাধা অদুনা বাল্টিনদা য়াওরিবা ঈশিং লোয়না থকখি।*
*ওজা অদুনা মহৈরোয়শিংদা হংই।*
*মসিদগী নখোয়না পারা তম্মী।*
**মহৈরোয় :** শঙ্গোম থক্তবা মীশিং গধানি ...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

**তোম্বা :** ইমা, ঐসে নঙগীদমক য়াম্না অতাংবনি হায়দনা।
**অপোকপী :** চুম্মী নঙসে ঐগীদমক্তদি লাখ কয়া, ক্রোর কয়াদগী হেল্লি।
**তোম্বা :** লুপা ক্রোর অদুদগী শুপ্নগী লুপা ১০দং পীবিয়ু ঐ আইসক্রিম চাগে।



- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -


**পাথৌ :** বাবা ! নঙ অমম্বদা কিবরা?
**মপা :** কিদে।
**পাথৌ :** নোং খাকপা-লাউবা, ভুট অমসুং কৈসু কিদবরা?
**মপা :** পূম্নমক কিদে।
**পাথৌ :** অদুনা তাকপদি বাবা, ইমা নত্তনা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা কিদে হায়বনি নৎত্রা?

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

*অঙাং কপতুনা লৈরম্মী। মহাক্কী মপানা কপ্পগী মরম হংই।*
**অঙাং অদুনা হায়রকই :** লুপা ২০ হান্না পীয়ু। মপানা মচানুপাদা লুপা ২০ পীখ্রে অদুগা হংলকই হায়রো করিগী কপ্লিবনো?
**অঙাং অদুনা হায়রকই :** ঐদি লুপা ২০ লৌনবগী কপ্পনি।




☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Teddy Bear
By: Kh. Rayzel Chanu
Class: K.G Sec: A Roll No. 13
School: Shining Byrne Academy




Title: Polar Bear
By: Kh. Shilhenbi Angela
Class: Nursery Sec: Tulip Roll No. 2
School: P.P. Kids Kwakeithel




Title: Micky Mouse
By: Kh. Thouyangba
Class: III Sec: G II Roll No. 4
School: RM School




Title: National Flag
By: Jeshita Kumam
Class: 2 Sec: B Roll No. 15
School: Kendriya Vidyalaya-2 Langjing, Imphal




Title: Night Scene
By: Paikhomba Huidrom
Class: III Sec: Roll No. 01
School: Uchiwa High School (Aided)



Title: Scenery
By: Ryan Elangbam
Class: I Sec: Diamond Roll No. 11
School: Kids' Foundation



Title: Bird
By: Sinam Dolina
Class: IV Sec: Jasper Roll No. 03
School: Heritage Convent



Title: Light House
By: Yashica Khangembam
Class: IV Sec: Roll No. 2
School: Khurkhul Model Std. High School



Title: Super Hero
By: H. Subuhash Meetei
Class: VI Sec: B Roll No. 12
School: